


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, NOVEMBER 16, 2018 **PAGE 7**





*দোপ্পিং কেসকা মরী লৈননা কোর্ট ওফ অরবিট্রেসন ফোর স্পোর্টসকী ট্রিবুনেলনা চহী ৮ অথিংবা থমখ্রবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ ৱেঠলিফটর চাইনিজ তাইপেগী লিন ৱু চি*

*য়ুএনগী বোদি অমা ওইরিবা য়ুনিসেফকী য়ুঠ এম্বেসেদর ওইনা খল্লক্লুনা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী ওইবা ঙমখ্রবী এঠলিট অসাম মচা হিমা দাস*

## জোরদানগা শান্নগদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচতা শরুক য়ানবা ইন্দিয়াগী স্কৱাদ লাওথোকপদা মণিপুরগী জেকীচান্দ, উদান্ত অমসুং রঞ্জন য়াওখ্রে

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৫ঃ*

চৎলিবা থা অসিগী ১৭ তা জোরদানগী কোনুং অম্মানদা লৈবাক অসিগা শান্নগদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচতা শরুক য়াননবগী ইন্দিয়া টিমগী মেম্বর ২২ লাওথোকখিবদা মণিপুরগী শান্নরোই জেকীচান্দ, উদান্ত অমসুং রঞ্জন য়াওখ্রে।



জেকীচান্দ



উদান্ত



রঞ্জন

জোরদানগা শান্নগদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অসি মথং চহীদা য়ুএইনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এএফসি এসিয়ান কপকী শেম শাবা টুর অমসু ওইরি হায়না কোচ ষ্টেফেন কোন্সটেন্টাইননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি লাওথোকখিবা ইন্দিয়াগী স্কৱাদ অদুদা নৌনা হাপচিনখিবা শান্নরোই অনী মিডফিল্ডর জেকীচান্দ সিংহ অমসুং লেফ বেক নিসু কুমার চহী অসিগী ওক্তোবর থাদা চাইনাগা শান্নখিবা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচতা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখিবা অদুদা শরুক য়াখিবনি।

চাইনাগা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অসিদা মখোয় অনীনা য়াম্না ফজনা শান্নখিবা অদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী নেসনেল টিমগী কোচ ষ্টেফেন কোন্সটেন্টটাইননা জোরদানগা শান্নগদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অসিগী স্কৱাদতা হাপচিনখিবনি।

ঐখোয়গী টিম্না এএফসি এসিয়ান কপ অসিদা য়াম্না ফজনা শান্নদবা য়াদে মরম অদুনা জোরদানগা শান্নগদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অসিদগী হেন্না এক্সপরিয়েন্স লৈননবা হোৎনগদবনি হায়না ইন্দিয়াগী কোচ অসিনা মখা তাখি।

জোরদানগী টিম হৌজিক-হৌজিক ফিফা রেঙ্কিংদা ১১২ শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি। জোরদাননা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮ কী ফাইনেলিষ্ট ওইরিবা ক্রোএসিয়াগা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা পাঞ্জল ১-২ দা য়াম্না নক্কনা মায়থিহৌবনি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ষ্ট্রাইকর সুনিল ছেত্রি খুনিং শোকপনা মরম ওইরগা জোরদানগা শান্নগদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অসিদা শরুক য়ারোইদৌরি। মহাক্কী মফম অদু ৱিঙ্গর হালিচরন নারজারিনা শিনগদৌরি।

জোরদানগা থা অসিগী ১৭ তা শান্নগদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অসিগীদমক খনগৎখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুদিঃ-

গোলকিপরদা গুরপ্রিত সিংহ সান্ধু অমসুং অমরিন্দর সিংহনি। দিফেন্দরদা প্রিতম কোটাল, নিসু কুমার, সন্দেস ঝিংগাম, অনাস ইদাথোদিকা, সলাম রঞ্জন সিংহ, সুবাসিস বোস, নরায়ন দাস অমসুং জেরি লালরিনজ্বালানি।

মিডফিল্ডরদা উদান্ত সিংহ, জেকীচান্দ সিংহ, প্রোনে হাল্ডর, অনিরুধ থাপা, ভিনিট রাই, জর্মনপ্রিত সিংহ, হালিচরন নারজারি অমসুং আশিক কুরুনিয়ানি।

ফোরৱার্দকী শান্নরোইশিং অদুদি জেজে লালপেখলুৱা, সুমিত পাসি, বলৱন্ট সিংহ অমসুং মনভির সিংহনি।

## বেঙ্গালুরু ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা সাকেট মাইনেনি অমসুং পি গুনেশ্বরন সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

*বেঙ্গালুরু, নবেম্বর ১৫ঃ*

কর্নাতকাগী কোনুং বেঙ্গালুরুদা চৎথরিবা বেঙ্গালুরু ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপা সিঙ্গলস শান্নরোই সাকেট মাইনেনি অমসুং পি গুনেশ্বরন সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।



*সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সাকেট মাইনেনি*

বেঙ্গালুরু ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সাকেট মাইনেনিনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সুমিত নগালবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেলদা কজাখষ্টানগী এ দেদোভিয়েসোভকা শান্নরগনি।

কজাখষ্টানগী শান্নরোই নেদোভিয়েসোভনা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টুনিসিয়াগী ফেরিয়েরা সিলভাবু ৬-৪, ৬-২ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী পি গুনেশ্বরন অমসুং কানাদাগী বি স্কনুর শান্নরগনি।

পি গুনেশ্বরননা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই মুকুন্দ শান্নবা ঙমখিদবদগী সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা কানাদাগী স্কনুরনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা টর্কিগী সি ইলকেলবু ৬-৩, ৬-৪ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পুরভ রাজা অমসুং ক্রোএসিয়াগী এ সানকিকনা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র এম পুরসেল অমসুং এল সাভিলি শান্নরগনি।

ইন্দিয়াগী রাজা অমসুং ক্রোএসিগী সানকিকনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পেয়র এ খাদে অমসুং এস মাইনেনিবু অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ৩-৬, ৬-২, ১০-৮ দা থোইরম্বনি।

## মেরি কোম অমসুং সরিতা অহানবা রাউন্দ বাই ফংখ্রে

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৫ঃ*

ন্যু দিল্লিনা য়ুম্বু ওইদুনা ঙসিদগী হৌখিবা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ্তা ইন্দিয়াগী মেরি কোম অমসুং সরিতা দেবীগা লোয়ননা বোক্সর ৭ বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

অতোপ্পা অহানবা রাউন্দ বাই ফংখিবী ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অদুদি পিঙ্কি রানি (কেজি ৫১), সোনিয়া লাথর (কেজি ৫৭), লোভেলিনা বোরগাহেন (কেজি ৬৯), স্বিটি বুরা (কেজি ৭৫) অমসুং সিমা পুনিয়া (কেজি ৮১ মথক)নি।

মেরি কোমনা চেম্পিয়নসিপ অসিদা মহাক্কী অহানবা বাওট নোংমাইজিং নুমিৎতা অমেরিকাগী জাজেলে বোবাদিল্লা অমসুং কজাখষ্টানগী আইগেরিম কাসেনায়েভা অনীগী অথোইবগা থিন্নরগনি।

মনিসা অমসুং কচারি ভগ্যবতিনা মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী বাওটতা দিনার ঝোলামেন অমসুং ইরিনা নোকিলেট্টাগা থা অসিগী ১৬ অমসুং ১৮ দা থিন্নরগনি।

## বেলজিয়মগী লুকাকু য়াওররোই

*ব্রুজেলস, নবেম্বর ১৫ঃ*

ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং বেলজিয়মগী ষ্ট্রাইকর রোমেলু লুকাকু হেমষ্ট্রিংগী অনাবনা মরম ওইরগা আইসলেন্দগা হয়েং শান্নগদৌরিবা নেসন্স লীগতা শরুক য়াররোই।

রোমেলু লুকাকু অহানবা ওইনা পাঙথোক্লিবা নেসন্স লীগ অসিদা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙল্লিবনি। বেলজিয়ম লীগ অসিগী লীগ 'এ' গ্রুপ ২ গী টেবলদা মকোক ওইবা ঙল্লি। টিম অসিনা কম্পিটিসন অসিদা মখা তানা লৈনবা শুপ্নগী পোইন্ট অমা ফংবগী মথৌ তারি।

পনবা য়াই মশাগী চহী ২৫শুরবা বেলজিয়মগী ষ্ট্রাইকর অসি মমাঙগী নোংমাইজিং নুমিৎতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগা শান্নখিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মেটচ অমদা মশলগী প্রোব্লেম তৌরকপনি। লীগ অসিদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী ষ্ট্রাইকর ওইরিবা রোমেলু লুকাকু সেপ্টেম্বর থাগী মতুংদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈরক্লি।

## ইন্দিয়াগী অদবানিনা ২০শুবা ৱার্ল্ড বিলিয়াদর্স টাইটল লৌখ্রে

*য়াঙ্গোন, নবেম্বর ১৫ঃ*

ম্যান্মারগী সিটি য়াঙ্গোনদা চৎথরকপা আইবিএসএফ বিলিয়াদর্স চেম্পিয়নসিপকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পনকজ অদবানিনা ম্যান্মারগী নে থৱে উবু ফ্রেম ৬-২ দা মায়থিবা পীরম্লগা মহাক্কী কেরিয়রগী ২০লকশুবা ৱার্ল্ড টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী পনকজ অদবানিনা চেম্পিয়নসিপ অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা দেবিদ কোজিয়র্সপু ফ্রেম ৫-০ দা মায়থিবা পীরমখি। অদুগা ম্যান্মারগী নে থৱে উনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ অসিগী মমাঙদা টাইটল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা মাইক রুজেলবু ফ্রেম ৫-২ দা থোইরম্বনি।




ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা ফ্রেমদা ইন্দিয়াগী পনকজ অদবানিনা ম্যান্মারগী নে থৱে উবু ১৫০(১০৮)-২১ দা থোইরবা মতুং ম্যান্মারগী শান্নরোইশিংনা অনীশুবা ফ্রেম অদু য়াম্না লায়না ১৫১(১৪৭)-০ দা থোইদুনা ১-১ দা মান্নখি।

অহুমশুবা ফ্রেমনা ইন্দিয়াগী পনকজনা ১৫১(৯১,৫৪)-০ দা থোইদুনা অমুক মাঙজিল থাবা ঙমখি। মরিশুবা ফ্রেমদা অমুক ম্যান্মারগী নে থৱে উনা ফজবা হেনখিবদগী ১৫১(১০৩)-৪ দা থোইখিবদগী ফ্রেম ২-২ দা মান্নদুনা লৈখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী মখা তানা শান্নরকপা ফ্রেম ৪ দা ইন্দিয়াগী শান্নরোই পনকজ অদবানিনা য়াম্না ফজনা শান্নরক্লুনা ১৫১(১৪১)-১১, ১৫০(১২৯)-৮১(৭৭), ১৫১(১৪৫)-১০৯(৫২,৫৭), ১৫১(১৫১)-০ দা থোইদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী ২০লকশুবা ৱার্ল্ড টাইটল লৌবা ঙম্বগা লোয়ননা চহী ৩ থংন-থংননা টাইটল লৌবা ঙম্বসু ওইখি।

## ইন্দিয়াগী নুপা সিঙ্গলস শান্নরোই কিদম্বী স্রিকান্থ অমসুং সমির বর্ম ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই পি ভি সিন্ধু মায়থিহৌরে

*কোলুন, নবেম্বর ১৫ঃ*

হোং কোংগী সিটি কোলুনদা চৎথরিবা য়ুএস দোল্লর ৪০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা হোং কোং ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই কিদম্বী স্রিকান্থ অমসুং সমির বর্ম ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই পি ভি সিন্ধু প্রি-ক্বার্টরদা মায়থিহৌরে।





*হোং কোং ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী স্রিকান্থ অমসুং সমির বর্ম*

হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ঐচ এস প্রনোইবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৮-২১, ৩০-২৮, ২১-১৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ জপানগী কে নিসিমোটোগা শান্নরগনি।

জপানগী কে নিসিমোটোনা ঙসি শান্নখিবা সিঙ্গলসকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা থাইলেন্দগী কে ৱাংচারোনবু অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ১৬-২১, ২১-৬, ২১-১৩ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নগদবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী চেন লোং শোকপদগী শান্নখিদবদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোই সমির বর্ম ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌদুনা হোং কোংগী লি চিয়ুক লিয়ুগা শান্নরগনি।

হোং কোংগী লি চিয়ুক লিয়ুনা ঙসি শান্নখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা দেনমার্ককী ভিট্টিংগসপু ষ্ট্রেট গেম ২১-১৬, ২৩-২১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা নম্বর ৱান সিদেদ জপানগী কেন্টো মোমোটা অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টি শান্নরগনি। জপানগী মোমোটানা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোই কে সুনেয়ামাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ১৭-২১, ২১-১৭, ২১-১৬ দা থোইরম্বনি। অমরোমদা ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টিনা মহাক্কী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৭শুবা সিদেদ অতোপ্পা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই এ এস গিন্টিংবু ২১-১৫, ২৫-২৩ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্বার্টরফাইনেল মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই অনী লি দোং কিয়ুন অমসুং ৬শুবা সিদেদ সোন ৱান হো শান্নরগনি।

হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবী ৩শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু সাউথ কোরিয়াগী সুং জে হ্যুনগী মখূত্তা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা য়াম্না কন্না লম্বা তৌনরবা মতুং ২৪-২৬, ২০-২২ দা মায়থিহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমসুং বি সুমিত রেদ্দি অনীশুবা রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা চাইনিজ তাইপেগী পেয়র লি জে হুই অমসুং লি য়াংগী মখূত্তা ১৬-২১, ১৫-২১ দা মায়থিহৌখি।

হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী এস রানকিরেদ্দি অমসুং আস্বিনি পোনাপ্পা চাইনিজ তাইপেগী পেয়র লি য়াং অমসুং সু য়া চিংগী মখূত্তা ১৭-২১, ১১-২১ দা মায়থিহৌখি।

## টোক্সকী লিষ্টতা ৱেঠলিফটর মিরাইবাই চনু য়াওখ্রে

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৫ঃ*

ইন্দিয়া লৈঙাক্না কুমজা ২০২০ অমসুং ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসশিংদা মেডল ফংনবগীদমক পায়খৎলকখিবা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিম (টিওপিএস) কী লিষ্টতা ৱেঠলিফটর সাইখোম মিরাবাই চনু য়াওখ্রে। লিষ্ট অসিদা নুপা রেষ্টলর সুসিল কুমার অমসুং হেপটাথলোনগী এঠলিট স্বাপনা বর্মন য়াওখিদ্রে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিসন ওলিম্পিক সেলনা টোক্সকী ঙসি রিভিয়ু তৌখিবা দিসিপ্লিন অহুম অদুদি এঠলেটিক, রেষ্টলিং অমসুং ৱেঠলিফটিংনি।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা ৱেঠলিফটর মিরাবাই চনু হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসতা কেজি ৪৯গী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। লোয়ননা মমাঙ চহীদা য়ুএসকী সিটি অনাহেমদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ্তা মমাঙগী রেকোর্দ থুগাইদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

এঠলেটিক্সতা হান্না শান্নরোই ৩১ ওইরম্বা অদু হন্দক্কী অসিদদি শান্নরোই ১০ দা হন্থখি। অদুগা রেষ্টলিংদসু শান্নরোই ১০ দমক ওইখি।

টোক্সকী খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদিঃ-

ৱেঠলিফটিংদা সাইখোম মিরাবাই চনু (নুপীগী কেজি ৪৯) অমসুং রাগালা ভেনকট রাহুল (নুপাগী কেজি ৯৬) নি।

এঠলেটিক্সতা নিরজ চোপ্রা (জেবলিন থ্রো), টেজিন্দর টুর (সোট পুট), সিমা পুনিয়া (দিস্কস থ্রো), অরপিন্দর সিংহ (ত্রিপল জম্প), মোহমদ অনাস (মিটর ৪০০ লমজেল), হিমা দাস (মিটর ৪০০ লমজেল), আয়াসামী ধারুন (মেন্স ৪০০ হর্দলস), জিনসন জোনসন (মেন্স ৮০০ অমসুং ১৫০০ মিটর লমজেল), শ্রিসঙ্কর মুরালি (মেন্স লোং জম্প) অমসুং অভিনাস সেবল (মেন্স ষ্টিপলচেজ) নি।

## এটিপি ফাইনেলসতা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক মায় পাকখ্রে



*লন্দন, নবেম্বর ১৫ঃ*

ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা চৎথরিবা এটিপি ফাইনেলসকী ঙসি শান্নখিবা গুগা কুয়েরটেন গ্রুপকী মেটচ অমদা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক মায় পাকখ্রে।

গুগা কুয়েরটেন গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকনা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুএসএগী জোন ইসনরবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬-৭(২-৭), ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরমখি।

ঙসি শান্নখিবা লেটোন হেৱিট গ্রুপকী মেটচ অমদা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জপানগী কৈ নিসিকোরিবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরমখি।

অহানবা সেটতা থিয়েমনা নিসিকোরিগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিলথাখি। অনীশুবাসেটতা নিসিকোরিগী মায়কৈদগী লম্বা খরা পীরকখ্রবসু ওষ্ট্রিয়াগী থিয়েমনা ৬-৪ দা থোইবা ঙমখিবনি।


**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Porompat, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Cass No. 1089/SDC/P of 2018*

Md. Salimuddin S/o Jalaluddin of Telipati

***- Petitioner***

***-Verses-***

Md. Mahibullah S/o Haji Kudaratullah of Hatta Minuthong

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*The 15/11/2018*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 100 -Telipati গী Patta No.13 (অরিবা) 103/171 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 146/213 an area 0.04 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি। মতুং দা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East

*SL/Bill (L)/16(a)*



**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Porompat, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Cass No. 1090/SDC/P of 2018*

Wangkheirakpam Jiban Singh S/o (L) W. Ibochouba Singh of Porompat Mutum Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

Wangkheirakpam Ibochouba Singh S/o (L) mani Singh of Ayangpalli Kshetri Leikai

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*The 15/11/2018*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 28 -Porompat গী Patta No.113/ Angsh (অরিবা) 203 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 146 an area 0.155 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East

*SL/Bill (L)/16(b)*